# ‘ৱাহং ওইদুনা অসুমক লৈহৌরে’

- উশম ধরমেন্দ্র -

মীতৈ ঐখোয়গীদি অততাইনি ইমা লৈবাক মণিপুরগী ঙমখৈ করিগুম্বা মওং অমত্তদা কায়হন্দনা থন্বা হায়বসি। মরমদি মণিপুর হায়বা পিকখ্রবা চীংগী শরুক্তা মশীং য়াম্বা চীং অমসুং তমদা উমং-ৱামংতনা থনবা মহৌশাগী ফজবতনা লৈতেংবগী মথক্তা মমল য়াম্লবা মহৌশাগী লন কয়া ফংলিবা লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা অমসুং নীংতম্না লৈননবা হোৎনবদা মীতৈ ইপা ইপুশিংনা চাউরবা থৌদাং য়াদুনা লাকখি। মশাগী থৱায় পাম্মুবা লৈতনা লুরবা লানফম কয়াদা য়েক্লবা কয়াগা মায় লৈদনা লাম্থেংনখি। মদুমক্তনা পিক্লবা চীংলৈবাক্কী মণিপুরনা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা চহী লিশাংশিংনা নীংতম্না হাইনা হুম্না পান্দুনা লাকখিবনি। ঐখোয়না, ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা চহী কয়া চঙনা ৱানা শাগৎচরকখিবা মণিপুরগী নেসনেলিজমনি। মীতৈশিংনা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ ৩৫না পূন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবদু উবা পামজে। মালেমগী চাওখৎপগী লমজেলদা য়াওদুনা মণিপুরীশিংগী ফিদা অমা মালেমগী ফম্বাকথক্তা ফংবা পামই। শান্তি অমসুং চাওখৎপা হায়বসি খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নে।

মীতৈশিং শান্তি লৈনা পুন্নমক চাওখৎমিন্নদুনা হিংবা পামজে। অদুবু খোঙথাং খুদিং শান্তিগী য়েক্লবনা শৌ শানা পল্লোন নাইনা লৈরম্মী। শান্তিগী য়েক্লবা শৈতানগী শক্তম ওইবা নার্কো কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা নমদুনা মণিপুরগী চীংয়া তময়াগী অচিকপা থুগাইরকখি মে ৩, ২০২৩দা। মদুগী মখা শমথরকপদা মীওইবগী মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদনা শা-ঙা হাৎপগুম মীতৈশিংবু হাৎপগী থবক লীশাং শিংনা নুমিৎ চাম্মা হেল্লবসিফাওবা চত্থরক্লি। মীতৈ ফুরুপনা মশা ঙাকথোকচবতনি চত্থরক্লিবা কাঙলূপকী লান অসিগী মশক অসি। লান অসিনা মণিপুরদা খুন্দারিবা মীপূম খুদিংমক অৱাবা নংই। মসিদি মহৌশানি। ঙাইহাক লৈতনা মণিপুরগী লাইফ লাইনশিংদা বন্দ-ব্লোকেদ তৌগনি। নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং মপান্দগী ৱানা পুশিল্লকপা অমসুং গাড়ীশিংদগী নম হাদুনা শেল য়াম্না লৌহৌবনা করবার তৌবশিং, দুকান্দারশিংনা পোৎলমশিংদু য়োল্লকপদা মশানা মমল ৱাংবা তাবনি। ইনাক কৈরাক খুনবা খুজোক খরনা নুংঙাইনা লৈবা, মীচম মীয়াম্না মশীং হেনবা ‘পিরামিদ টাইপ ওফ সোসাইটি’ গী খুন্নাইসিদদি অৱাবা কাঙবুনা অসুমক ৱাহৌবা মহৌশানি।

মে ৩, ২০২৩দগী নার্কো কুকি-জো মিলিটেন্টশিংনা মণিপুরগী মহৌশাগী লৈজরম্বা লমদগী মচেৎ অমা ফক্লগা কুকিলেন্দ অমা শাগৎনবগী মঙলান মঙফাওননবা মণিপুরদা থোকপা য়াবা ঈরাং থোকহল্লি। য়ূম-কৈ কয়া মৈ থাদুনা উৎ ওলহল্লি। মীতৈশিং কয়া তমথীনা হাৎলি, নুপী অঙাংদা ঈজৎ শোকপা থবক চৎখে। অদুগা নাকল অমরোমদনা মখোয়গী লিদরশিংনা কুকিশিং অসি য়াম্না চমজবা, ধর্ম্ম কায়দবা মীওইশিং ওইনা উনবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল মীদিয়াদা, ফোরমদা উৎনবা হোৎনৈ। ইকায়খঙদবা কুইনসু চৎপা য়ারোইদবা কুকি-জোশিংগী মীনম্বদু উৎথোকপনি। খৃষ্টিয়ানগী চর্চশিং মৈ থাবীরে হায়দুনা খৃষ্টিয়ানশিং অমসুং হিন্দুশিংগী ক্লাশ ওইনা উননবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী পূক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনৈ। মখোয়না মীতৈশিংগী লুরবা লাইফমশিং ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী, কৌব্রু লাইফমলেন অমদি অতৈ লাইশঙ কয়া মৈ থাখিবা, মাঙহন-তাকহনখিবা, মখোঙনা কাওখিবা, মীতৈগী লাইগী কোমাইদা মতিন শিৎচিনখিবশিংদুদি করিসু খন্দে। পূক্লিংদা খৃষ্ট য়াওদবা খৃষ্টিয়াননিদি হায়জবা কুকিশিংনা খৃষ্টিয়ানিতি ধর্ম্ম চৎলম্বগী মণিপুরদা চর্চ মৈ চাকখিবনি।

লৌমীশিংনা লৌউ পাম্থাদা ৱানা তিনফা, কাকফৈ, তীল-কাং করিসু নাচুংদনা উরিবা লৌ, পুথোক্লিবা পোখোক মহাক্কী ইমুং মনুংখক্কী নত্তে, মীওইবা খুন্নাইগীনি। তাইবঙ মালেমসিদা হিংমিন্নরিবা মীওইবা হায়বা জীব ঐখোয়সি মা মানা হিংলিঙৈগী মতমদা মানা মানা ঙমজবা হৈনজবা শিন্থা পাংনদুনা পূন্না হিংমিন্নরিবনি। মীওইবা অমনা অমগী মতেং য়াওদনা হিংবা ঙম্বা হৌনদে। মসিনি তাইবঙ কুম্মৈ। চীংয়া তময়াদা লৌরিং থাসিদা ৱানা লৌ কুমজরিবা মীতৈ লৌমীশিংদা নার্কো কুকি-জোশিংনা কিহন-খংহনবা, নোংমৈ কাপশিনবগী থবকশিংসু অদুমক চত্থরি। তংদু লৈতাহন্দবা পুন্সি মরেলনি চীংয়া তময়াগী মীতৈশিংদা মখোয়না পীরিবসি। শমান লেংমান্নবা মশেল লম্মাংদা লাম্থেংনবসু নত্তনা ইচম চম্না তূমদুনা লৈজবা মীতৈ মখোয়না তমথীনা হাৎতোকপী। পুন্নমকসিনা ৱাহং কয়া থোরকই। মীতৈ ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা কনাসু লৈত্রবরা? ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীগদবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিং, লৈবাক্কী মপী-মপা ওইবশিং ঙম্নমক কদোমদা চৎখ্রবগে হায়দুনা।

চম্না শান্তি ওইনা হিংজনীংবা মীতৈশিং ঙসিদি অৱাবা নংলে। অদুঙৈ চহী তরে খুন্তাকঙৈ (কুমজা ১৮১৯-১৮২৫) দা মীতৈশিংনা নংখিবা অৱাবদুদগী হেক মথংদা মীচম মীয়াম্না অৱাবা নংলিবসি হন্দক্কী নার্কো কুকি-জোশিংনা হুইয়েন লান্দারকপসিনি। ইংরেজশিংগা শোক্লখিবা এঙলো মণিপুর ৱার ১৮৯১দদি মীচম মীয়াম্না পাক শন্না অৱাবা নংখিদে। মবুক ফত্তবা অপঙবা চাওখৎতবা কুকি ফুরুপকা মরুপ ওইরুবা মখোয়দা মীয়োক মীচান ফরুবগী মহয় ঙসিদি মীতৈশিংনা ফংলে। অশানবা য়ূমদা লৈবা মীনা মপু তাল্লক্লে, অশাবা শাশিন্নবা পট্টা পায়দুনা অশেংবা য়ূম্বু মখোয়নি হায়রক্লে। নুংশিরবা মোইরাং কংলৈরোলগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা তোর্ব্বুং, ক্বাক্তানচিংবা নার্কো টেররিষ্ট কুকি-জোশিংগী তম্নফম লাই ফত্তবা থোক্লফম ওইরে।

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরনদি মে ৩গী থৌদোক্তু লৈঙাক্কী সিক্যুরিটিগী অশোয়বা, অৱাৎপশিং লৈখি হায়দুনা মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে। অদুগা পুন্নমক্কী মপু তৌগেতা ঙম্বা লৈঙাক পায়রিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর দামোদর দাসতি কমদৌরি। লীশাং শিংনা মমিৎ তাংবা, মরোল থোক্তবগুম লৈরকখি। বিধান সভা অমসুং লোক সভা মীখল ময়াদা তোয়না লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নোংমা ফাওবা লাকখিদে। মীয়াম্না উজনীংবা শক্তম নোংমা ফাওবা উহনবিখিদে। মহাভারতকী কুরুক্ষেত্রগী লানফমগী লানপাউ সঞ্জয়না নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রদা তম্বগুম নরেন্দ্র মোদিদা অমিট শাহনা নুংতিগী তম্মী হায়দুনা নেসনল স্পোক্সপর্সন, বি জে পিগীনদি ফোঙদোকখি। অসুক কুইরবা ৱা অমত্তা ঙাঙদনা তূমিন্না লৈরুরবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মে ৪দা থোকখিবা নুপী অনীদা অমোৎপা চত্থখি হায়বগী ভিদিও ভাইরেলদা নরেন্দ্র মণিপুরগীদমক মীকপ থোকখি। মদুদা চেন্নবশিং লেম্না থারোই হায়না লাউথোকখি। নুপী অনীদা অমোৎপা থবক চত্থখি হায়রিবা ভিদিওদুগী ভাইরেলনা পার্লিয়ামেন্ট সেসন হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ জুলাই ১৯, ২০২৩দনি। মতাং চানা ভাইরেল ওইহনবনি। মনুংদা মীতৈশিংবু মীংচৎ থীহন্নবা লৌতুনবা অমা ইয়াওতা য়াওবগুম মীয়াম্না খন্নে।

মীতৈদা নার্কো কুকি-জোশিংনা লান্দারকপা লানদি লেপ্পা লৈত্রি। ইন্দিয়াগী মপাঙ্গল কল্লবা লান্মীশিং থাজিল্লকপসু লেপত্রি। মণিপুরদা থোক্লিবা লানসি লাক্লিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিং অসিনা সাউথ ইন্দিয়াগী এক্সন মুভি ওইনা উরুরবরা ওন্থোক্না নুংঙাইনা কুম্মৈ ওইনা য়েংদুনা লৈরে। কুম্মৈ য়েংবদা খ্বাইদগী মমাঙ থারিবা ফোর্সসি ইন্দিয়াগী শান্তি রক্সা ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসাম রাইফলস কাঙবুনি হায়বসি মীচম মীয়াম্না পীবা মেন্দেটনি। অমরোমদা কুম্মৈ য়েংবদা থৱায় য়াওবা মখোয়গীদি রিফ্রেসমেনসু ফজনা তৌরমগদবা হেক মাল্লি। শুপচিন্না মপাঙ্গল কল্লবা চাইনাগা লম্বা তৌগনি অদুঙৈ চাইনিজশিংনা লাকচখিবগী লমন খুমগনি হায়দুনা ফেংদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিং ম্যান্মারগী মিলিটরি জন্তানা তকখাইরকপা নার্কো কুকি-জো মিলিটেন্টশিং অসিগা লানবানবদা লকক তৌদুনা নপুংশক ওইদুনা করিগী লৈরিবনো হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমদি অদুমক ওইদুনা লৈরি।

মৈবু ফিনা কয়াম কুইনা কুপ্তুনা থমগনি। অচুম্বতনা জয় ওই হায়বদুনি। মীতৈ ফুরুপ্পু লান্না উবীরম্বা মপানগী মীওইশিং তপ্না তপ্না মীতৈশিংগী অশেংবা অচুম্বদু খঙবীরক্লে। মসিদনি চীংলোন ৱাংমা লান্না মীতৈশিংগী অচুম্বা মশক খঙহনবা ঙম্বা লুচিংবশিং মীতৈ খুন্নাইনা য়াম্নমক দরকার ওইরি হায়বসি। ঐখোয় মশেল শ্বাইদা ফূনদুনা লৈরগা করি কান্নগনি। চীংলোন মাপল ৱাংমা লান্না সমুদ্র ঈমাই লান্না মীতৈশিংগী অশেংবা শক্তম মালেমগী মফম খুদিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা খঙহনবদুনি মথৌ তারিবসি।

লোইশিল্লকপদা জুলাই ২০দগী হৌরক্তুনা সিটিং ১৭লক লৈদুনা ওগষ্ট ১১ ফাওবা চত্থখিবা পার্লিয়ামেন্টকী লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী হাউস অনীমক সাইনে দাই এদজোর্ন তৌখ্রে। প্রাইম মিষ্টিরনসু মণিপুরদা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্কনি হায়বদি পনবীখি। করম্বা মতমদা কমদৌনা শান্তি হঞ্জিল্লক্কনি হায়বসিদি মীচম মীয়াম্না হংজবা ৱাহং ওইদুনা অদুম লৈহৌরি। ●

# নোংমা লম্বীদা চৎনা চৎনা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

কুইরে ঙসিদগী চহী ৫০ মুক্কী ৱারীনি পুন্সিগী লম্বী লমশাংদা থেংনখিবা, উনখিবা, লোয়নখিবা কয়াগী থৌদোক-ৱাথোক কয়াদুগী মতাং-মতাংগী, মতম-মতমগী লোয়নখিবা ইনখৎলকপা পুন্সিগী মতম, এল পি, এম ঈ স্কুলগী, হায় স্কুলগী মতম অমসুং কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিগী মতম লোইরগা লৈঙাক্কী ওইবা শিন্মী অমা ওইরকপা মতমনি। লৈঙাক্কী শিন্মী অমা ওইরগা ময়ূম মকৈ পানদ্রিবা নুপা-নুপী খুদিংমক মমল কয়াম য়াম্মী, নুপী ওইবী কয়া মচা মমৌ ওইজগে, নুপা ওইবা কয়ানা মচা নিঙোল থাজগে হায়দুনা নিঙোল পোকপা অহল লমনশিংনা নাকোয়ননা পাওথাং য়ৈনা পাউঞ্জেনবা কোঙ্গাইনি।

লৈঙাক্কী শিন্মী ওইবসি মমল কাবা হৌজিক মতমগী লম্বী মপালগী লৌফম অমসুং ইঞ্জোলগুম্বনি। লম্বী মপাল ওইবা, ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ওইবা লম্বীগী নাক য়েৎতা দুকান তৌবা, থাও পম্প হাংবা, লৈশা-পাখঙ ফম্বা য়াবা হোটেল কয়া, মতমগী এঞ্জাং মখল শুনা য়োন্দুনা শেন্দাল লম্বী ওইবা য়াবনা ইম্ফাল সহরদগী কিলোমিটর ৫/১০ লাপ্পা মফম কয়াগী মমল অপাম্বা থিরকপা মীগী মফমদা মমল লৈতে, মন্তিক্লদে, পীয়ু হায়বা মমল পীথোকই। মতম অদুগী থবক তৌবা নুপা-নুপীগী পুন্সিশিংবু খুন্নাই অসিনা অৱাংবা থাক্কী ফিদা থাদুনা থম্বনা থবক ইনখাং তৌদবা নুপা-নুপী খুদিংমক মশানা মশাবু খুন্নাই অসিদগী ঐ অসি শোত্থরবনি, মীমান্নবা ঙমদ্রবনি হায়দুনা খনখিবগী লৈখিবগী মমি তাখিবদুনা ঙসিগী মণিপুরগী মৈতৈ ফুরুপ অসিনা য়ূম থেংনা পানবগী ৱাদা নত্তনা ময়ূম পান্দবা নুপা-নুপী মশীং অসি অসুক্কী মতিক হেনগৎলক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা অঙাং পোকপগী চাং ষ্টেট অসিদা মৈতৈনা খ্বাইদগী হেন্না নেম্না চৎপগী মরমসু ওইহল্লি। চহী ১০/২০ অসিদা থবক চঙবা মতমদা ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইদবা খক্তা নত্তনা শেঞ্জা থুমজাগী চাংসু নোংদোল খেৎলবনিনা থবক ফংদবগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা মশানা তাবনি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা মশাগী মতিং মথৌনা ফুদোক্লগা মহৈগী থাক ৱাখল লৌশিংগী লমজেল তান্নহনবগী মহুত্তা শেঞ্জা থুমজানা পুন্নমক কুপশিনবগী মমি য়াম্না চাওনা তাই। মীওই অমা অনী দ্রামাটাইজ তৌবা, প্রোম্প তৌবদুনা শেঞ্জা থুমজা তৌদে হায়না উৎনবা হোৎনবগী দ্রামাদু দাইরেক্টর কয়া য়ৌদবা মানবসু ইখঙ খঙনবা, ইউ উনবা ঙাক্তনি। মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগুম্না ষ্টাফ সিলেক্সনগী কম্মিসন অমা লিংবসু নত্তবনা শঙ্গ-পঙ্গ লৈজদবা শেল থুমগী অৱাৎপনা কোয়শিন্দুনা লৈরবা ইমুংদা থোরকপা পুর্ণিমা থাজগী মঙাল য়াম্না তাঙনা ফংবা অসি ষ্টেট অসিগী লূদা তোংদা চঙখিদুনা ক্রোনিক ওইরে হায়বা অসিদা তাদবা খঙদবা কনাবু লৈরমগদগে। মশাগী মতিং মথৌনা লৌশিং স্তাননবু ওইরবসু মীচং শঙ্গনা ওইরবসু লৈঙাক্কী থবক পায়খিবা নুমিৎ অদুদগী মশাদা চেন্দবা য়াদবা মগুন অসি চেন্দুনা কৈরোই লৈকায় মাগা খঙনবা চান্নবা তিন্নবশিংগী মরক্তা শকখঙবীরে, মায়খঙবীরে, থাক অমা ৱাংখৎনা ফিদা থাখ্রে। লৈঙাক্কী শিন্মী ওইবা হায়বা অসি য়াম্না পাম্নে। মসিমক্না মীশিং য়ামখৎলকপা অমসুং মীয়াম্না পাম্বা ওইবনা মরম ওইরকপনা লৈঙাক্কী শিন্মী ওইদবা কয়াবু মী ওইনা লৌনরক্তবা মীয়াম্না পামদবা মী ওইনা উরকপশিংগী মরক্তা পাখঙ লৈশাশিংগী মরক্তনা চাং ৱাংখৎলকই। মসি খুন্নাই অসিগী ওইনা লায়রবা ইনাকখুনবা অনীগী মরক্তসু খেন্নবা য়াম্না লাকই। মতিক চাবা মহৈ মশীন হৈবা মতিং মথৌনা লৈববুদি শেল পায়বা মীশিংনা হেন্না হেন্না লৈঙাক্কী শিন্মী ওইবগী চাং হেনগৎনবগী চনবী অমা ষ্টেট অসিদা লিশাং শিংনা লাকই। থবক লৈবা য়োনবা অসিনা শিন্মী ওইবশিংনা ঐ-ঐনা ফংলিবা তোলোপ অসিগী পাউখুম পীবগী মহুত্তা মরন্নাইগী শেন্দাল লম্বী ওইনা উরকপা চৎনবী অমা ওইরকই।

লৈবাক মীয়াম্না মাগী মাগী থবক অমগী চে চাং মরী লৈনবা মফমদা চংদুনা হংবা মতমদা থবক অদু লোইশিনবীনবা হোৎনবা মতমদা শেলনা থোং শাদুনা চৎপা নত্তবা করম্বা লোয়শঙ লৈরিবগে। নোংমৈ লাইসেন্স তান্নবা মতমদা মরী লৈনবা খুদিংমক্না শেলনা থোং শাদ্রিবা মখৈ চে মচি লেংলোই। মদুনা মৈতৈ হায়বা ফুরুপনা মথং মথং ওনশিন্দুনা চাবগী চৎনবী লায়না লিশাং শিংনা লাকপগী মহয় ঙসি ফংলি। লৌ ইঞ্জোলগী মরী লৈনবা চে চাং তান্নবা, মিং ওনবা খুদিংমক লৈঙাক্তা লুপা অমা কাবা নত্তবা টি আর ককপা নত্তনা মরন্নাই ফুরিৎখাও চোন্নবা হোৎনবা মতমদা থবক খুদিংমক খুমাঙ চাওশিনহন্দবা কয়াদুনা ঙসি করি ওইরি। ঙসি ঙসিমক থেংনরিবা খুদোংচাবা খুদিংমক মৈতৈনা মৈতৈগী থবক তৌবা মতমদা শেঞ্জা থুমজানা মখোঙদগী মতোন ফাওবা য়োমদ্রিবমখৈ থবক তৌদবা, ফংলিবা তোলোপ অদু মীয়ামগী থৌগলগী ফংলিবনি খলহনবা ঙমদবা খক নত্তনা মশা মশানা মীয়ামগী খন্দবা শিন্মীশিংদগী থোরকপা ঙাক্তনি। অচুম্বদি চুম্না তৌবীরো, চুমদবা য়াদবনা য়াদে হায়না অথিংবা থম্লো। মদু নত্তনা শেল পীদবদগী অচুম্বা কয়া লালহনবা, অরানবা কয়া চুমহনবা য়াহনবদগী নৎত্রো ঙসি থোক্লিবা লৈবাক ৱাথোক। অতৈ তোক্লগা স্কৱার মাইল অমগী মৈতৈ কংলাগী মনুংদা ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা রাজাদুমভ্রা স্কুলগী মনিং থংবা লম্বীনা অৱাং পাংনা চৎখ্রিবা মীনুথোং ফাওবা অশেংবা কংলাগী লমদা শিংজু ময়ান লৈবা য়াহনখিবসি কনাগী মরালনো। শেলবু খরা ফংলবদি য়াদবা য়াহনবা, অরানবা চুমহনবা ঙম্বা লৈঙাক্কী মথৌ মশক খঙদবা শিন্মী কয়াদুগী মহয় ওইফম থোক্তবরা? ঐখোয়গী লৈঙাক মপুনা লাউরি শেঞ্জা থুমজাদি পুরা লৈত্রে। মদুগী ৱাদি পন্নরগুমসি হায়খি।

নোংমৈ লাইসেন্স তান্নবদা তৌরিবা অচুম চুমদগী ৱা নত্তনা শেলগী থোং শারিবা লোয়শঙশিং মরী লৈনবা কনা কনাদা করি হায়বা ঙম্লি। শেল পীদ্রগনা তোকপা তাবা, লৈঙাক্কী ওইবা টি আর ককফম থোকপা কক্তবা য়াদবদি ককহনবা তাই। নত্তদুনা নোংমৈ মচা অমা তান্নবগীসু লুপা লাখ অমা য়ৌনা মথং মথং চে তান্নবদা চংহনবা মসিদা নত্তে। লৌরুংশঙগী মপানা মচাদা মশুদা মমিং ওনবদা হৈ শিংলবা মরী লৈনবা লোয়শঙগী শিন্মী কয়ানা শান্নরিবা লীলা কয়াসিবু উদবা তাদবা খঙদবা কয়াসি উনা উনা উদ্রিবরা, তানা তানা তাদ্রিবরা, খঙনা খঙনা খঙবীদ্রিবরা? মণিপুর মীয়ামগা হকথেংনরিবা লৌ লৈবা য়োনবা, মচাদা-মশুদা মমিং ওনবীবা, লৌগী ইঞ্জোলগী মতাংদা চংদবা য়াদ্রবা লোইশিন খমজিনবদা এস দি সী অমসুং এস দি ও হায়বা অসি শম্নদবা য়াদ্রবা অমা ওইরিবনি। মসিদা তৌরিবা শেঞ্জা থুমজা অসি লৈঙাক্না য়েংদুনা লৈবা অফবা নত্তে। শেঞ্জা থুমজানা ৱাংলিবা মখৈ ৱাথোক লাম্থোক্কী চাং ৱাংখৎলকপা খক নত্তনা চাওখৎ খোঙথাং কয়াদা খুরৌ থাংবা হেনজিল্লক্কনি। ভেং-ভাং মমিং থোনবা, চীংগা তম্পাক্না তাইনবা লম্মাং মফম কয়াদা মফম মরাং খঙদবা মীওইশিংনা খুন্দাশিনবা মতমদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা পূক্লিং থৌগৎপা, করিনা শেল ফংনবা অসুম্না অমদগী অনী অনীদগী অহুম মথং মথং অচৌবা খুল ওইরকপা মমৈথংদা লৌ মপুদা য়োংনা য়ূম মৈ থারকপা, চীংয়া তময়া, লৌবুক লম্মাং কয়া সহরগী মী তাদবা লম কয়াদা ফিরিঙ্গি লমলৌদা খুন্দাশিনখিবা কয়াদুগী মহয়নিকো ঙসি ঐখোয়না ফংলিবা চৈনা অসি লম্বীদা চৎনা চৎনা খনখি পাম্মুইদকো লমদমসে। ●


# Y-ক্রোমোজোম অমসুং মসি মাঙথরকপনা নুপাশিংদা ওইহল্লকপা কেন্সর


ডো. লৈমপোকপম টিকেন্দ্র

মীওইবা ঐখোয়দা য়াওরিবা ক্রোমোজোম অসি মমা অমসুং মপাদগী লাকপা ক্রোমোজোম অমমম্না পূনশিল্লগা শেম্বা জুরা কুনহুমদোই অসিগী মনুংদা ইরোয় লোইবা জুরা অসি সেক্স ক্রোমোজোম হায়না খঙনৈ। মসি নুপী ওইবীশিংদনা 'XX' ওই অদুগা নুপাশিংদনা 'XY' হায়না জুরাশিং অসি য়াওই। নুপাগী সেক্স ক্রোমোজোমগী জুরা নাম্মা ওইরিবা Y ক্রোমোজোম অসি মারসুপিয়ল (খুদম ওইনা কাঁগরূ), প্লাসেন্টল (নাওপুরবা মতুংদা মচা পোকপা জিবশিং- মীওইবা, শামু) অমসুং অতোপ্পা জিব খরদা পা-পি মশক তাকহনবা ক্রোমোজোম অমনি। Nettie Stevens না কুমজা ১৯০৫দা Tenebrio molitor হায়না খঙনবা মিলৱর্ম অসিদা Y ক্রোমোজোম অসি থেংনখি। চহী অসিমক্তদা Edmund Beecher Wilson নসু হেমিপ্তেরা হায়বদি মসা তঞ্জাই পানবা তীলগী কাঙলূপ অসিদসু থেংনখি।

Y-ক্রোমোজোম অসি মপাদগী মচানুপাদা চৎলি। ক্রোমোজোম মখল অসিগী মিলিয়ন base pair ৫৮ শাংবা DNA অসিদা জিন মখল ২০০ হেন্না য়াওরি। মসিগী মনুংদা জিন ৭২ অমদি প্রোতিন শেম্বগা মরী লৈনবা প্রোটিন কোডিং জিনশিংনি। ওট্রোজোম হায়না খঙনরিবা অহানবগী ক্রোমোজোম জুরা ২২ অসিদি রিকম্বিনেসন হায়বা থৌওং অসি চত্থদুনা মপা অমসুং মমাদগী লাক্লিবা ক্রোমোজোম নাম্মশিংদা য়াওবা জিনশিংগী মরক্তা জেনেটিক ইনফর্মেসন এক্সচেঞ্জ তৌনদুনা স্পিসিস অমগী মরক্তা জেনেটিক দাইভর্সিটি উবা ফংলিবনি। অদুবু নুপাশিংদা য়াওরিবা Y ক্রোমোজোম অসিদি মহাক্কী জুরা X ক্রোমোজোমগা অপূনবা শরুক্কী চাদা ৬ খক্তমক রিকম্বিনেসন চত্থবা ঙম্বা সুদোওটোজোমল রিজন হায়না খঙনবা অসি ওই। রিকম্বিনেসন চত্থবদা Y ক্রোমোজোমগী অয়াম্বা শরুক অসিবু নন-রিকম্বাইনিং রিজন হায়না খঙনৈ। নন-রিকম্বাইনিং রিজন অসিদা থোকপা সিঙ্গল ন্যুক্লিয়োটাইদ পোলিমোর্ফিজম (এস এন পি) অসিবু মপারোমগী পারি-পুরি থিবদা শীজিন্নৈ। জিন য়াম্না য়াওদবা মীওইবগী জিনোমদা খ্বাইদগী চাওবা জিনগী মর্ভুমি অমা ওইরিবা Y ক্রোমোজোম অসিদা জেনেটিক নৎত্রগা শোয়বদগী ওইরকপা লায়না কয়া থোক্লক্লি। খুদম ওইনা জেনেটিক দিসওর্দর অমা ওইরিবা Y ক্রোমোজোম মাইক্রোদিলিসন অসিনা নারবা নুপাশিংদা লায়নাগী লায়ওং উৎথোক্তে অমসুং নোর্মেল পুন্সি অমগা চপ মান্ননা হিংই। অসিগুম্বা নুপাশিংগী স্পর্ম মশীং নেম্মী লোয়ননা ফর্টিলিটি হন্থে। অতোপ্পা Y ক্রোমোজোমদা শোয়বা অমদগী মশীং হেনবা নৎত্রগা ৱাৎপনা মরম ওইবা সিন্দ্রোমশিংদি - XXY, XYY, XYYY, XX- সেল সিন্দ্রোম অসিনচিংবশিংনি। লায়নাশিং অসিগী মথক্তা নুপা ওইবশিংদা নন-রিপ্রদক্টিভ কেন্সর খরা নুপী ওইবীশিংদগী হেন্না নাহল্লি। হায়রিবা কেন্সর মখলশিং অসি পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা হায়বদি নুপা ওইবশিংনা চুরুট, য়ু অমদি অতৈ ময়াই কাবা চিঙাক কয়া শীজিন্নবগী চাং ৱাংবনা অচৌবা ফেক্টর অমা ওই হায়না ৱাখল্লোন কয়া থম্নৈ। অদুবু হায়রিবা ফেক্টরশিং অসি লৈজরগসু কেন্সরশিং অসি নাবগী অমসুং শাথীবগী চাংদা নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা খেন্নবা খরদি উবা অদুমক ফংলি।

মীওইবদা য়াওরিবা ক্রোমোজোমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী পীকপা অমসুং জিনগী মশীং য়ামদনা য়াওবা Y ক্রোমোজোম অসি সাইন্টিষ্টশিংনা খল্লুবগী ৱাংমদা মথৌ কয়া তৌরি। য়ামখিদ্রবা জিনশিং অসি অনম্বনা সেক্স দিভেলপমেন্ট অমসুং সেক্স দিটর্মিনেসনদা মথৌ তৌই। SRY (sex-determining region Y-gene) হায়না খঙনরিবা জিন অসিনা অঙাংখাওদা য়াওরিবা ফীটস অমবু অঙাং নুপা অমা ওইহল্লকপগী শেমগৎ শাগৎপদা থৌদাং লৌই। নুপাশিংগী জেনেটিক আইদেন্টিটি ওইরিবা Y ক্রোমোজোম অসি সেল দিভিজনগী মতমদা মাঙখিবা করিগুম্বা কান্দা য়াওই।



DNA পেকেজিং তৌদুনা ক্রোমোজোম সেমলকপা

চহী য়ামশিল্লক্লবা নুপাশিংদা Y ক্রোমোজোম য়াওদবা ব্লদ সেলশিংগী চাং হেঙ্গৎলক্লি। চহী ৯০ চংশিল্লক্লবা নুপাশিংগী মশীং তঞ্জায় অমমুক্তি ব্লদ সেলশিংদা Y ক্রোমোজোম মাঙবা অসি থেংনরি। অসিগুম্বা মখলগী ব্লদ সেলশিংনা মশীং য়ামখৎলকপা অসিনা হার্টকী লায়না, ন্যুরোনশিংগী মশক-মওং অমসুং মথৌ মাঙশিল্লকপা অমসুং কেন্সর লায়না কয়া ওইরকপগা মরী লৈনরি। ইনৌ নৌবা খুদম অমা ওইনা থেংনরিবসি Dan Theodorescu, director of Cedars-Sinai's Samuel Oschin Comprehensive Cancer Institute না লিড ইনভেষ্টিগেটর ওইদুনা ঊচি অমসুং মীওইবা (নুপা) অনীমক্তা চত্থখিবা রিসর্স অমগী মতুংইন্না Y ক্রোমোজোম্না য়াম্না শাথীবা মখলগী ব্লেদর কেন্সরদগী ঙাকথোকপা অসিনি। ব্লেদর কেন্সরনা নারবা মীওইশিংগী মনুংদা চাদা নিফুদি মখোয়গী ট্যুমরদা Y ক্রোমোজোম য়াওদবা থেংনখি। Y ক্রোমোজোম্না হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌরিবা থৌদাং অসি খঙনবা হোৎনবদা Theodorescu গী রিসর্স টিম্না ঊচিগী ব্লেদর কেন্সর সেল মখল অনী - Y ক্রোমোজোম য়াওবা (Y পোজিটিভ) অমসুং Y ক্রোমোজোম য়াওদবা (Y নেগেটিভ) সেলশিংবু লেবোরেটরি কলচর প্লেট অমসুং ইম্যুন সিষ্টম য়াওদবা ঊচি লাবশিংদা চপ মান্নবা চাংদা হিংবা অমদি চাওখৎলকপা থেংনখি। অদুবু নোর্মেল ওইবা ইম্যুন সিষ্টম য়াওবা ঊচি লাবশিংদা কেন্সর সেলশিং অসি ইমপ্লান্ট তৌবা মতমদা Y ক্রোমোজোম য়াওদবা সেলশিংগী গ্রোথ অসি শরুক অনী হেন্না য়াঙনা চত্থবা থেংনখি। মসিনা Y নেগেটিভ কেন্সর সেলশিংনা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টমবু নাথৈদুনা চৎপা ঙম্মী হায়বগী অহানবা ইঙ্গিৎ ওইখি। লোয়ননা থিজিনবা অসিদা ঊচি অমসুং নুপাগী Y নেগেটিভ সেলশিংদা PD-L1 হায়না খঙনবা Programmed cell death ligand প্রোটিন অসি য়াম্না ৱাংবা চাংদা য়াওবা থেংনখি। PD-L1 প্রোটিন মখল অসিনা T-cell হায়না খঙনবা কেন্সর সেলশিংবু কোয়থিথিদুনা মাঙহল্লিবা হকচাংগী মরু ওইবা দিফেন্স সিষ্টমগী ইম্যুন সেলশিং অসিবু মথৌ তৌহন্দে। Y পোজিটিভ ট্যুমরশিংগী T-cell শিংগা চাংদম্নবদা Y নেগেটিভ ট্যুমর সেলশিংগী T-cell অসি মপাঙ্গল শোন্থবা ওই। ব্লেদর কেন্সর অসিগী মখা তানা থিজিনবদা মরু ওইবা জিন অনী (১) UTY-Ubiquitously transcribed tetratricopeptide repeat containing, Y-linked, অমসুং (২) KDMSD - lysine demethylase 5D অসি থেংনখি। হায়রিবা জিন অনী অসিনা য়াওদবা নৎত্রগা সেলদা এক্সপ্রেস তৌদবা মতমদা Y নেগেটিভ ট্যুমরশিংবু থুনা-য়াঙনা চাওখৎহল্লি। UTY অমসুং KDM5D জিন অনী অসিনা DNA packaging মরু ওইবা থৌদাং য়াদুনা মপূং ফাবা ক্রোমোজোম ওইহল্লকই। DNA packaging দা অশোয়বা য়াওরবদি ক্রোমোজোম অসিদা য়াওরিবা জিনশিংগী এক্সপ্রেসন্দা অমদি মথৌদা অকায়বা লাকই। National Cancer Institute - Division of Cancer Biology গী Dr. Salnikow গী টিম্না Y নেগেটিভ ট্যুমরশিংদা ইম্যুনো থেরাপীগী মতেংনা মথৌ মাঙথরকপা T-cell শিংবু অমুক কনবা য়াগদরা হায়না মখা তানা থিজিনখি। টিম অসিনা ঊচিদা ইম্যুন চেকপোইন্ট ইনহিবিটর হায়না খঙনবা ইম্যুনো থেরাপী অসি চত্থবা মতমদা Y ক্রোমোজোম য়াওদবা ব্লেদর কেন্সরগী ট্যুমরশিংগী গ্রোথনা Y ক্রোমোজোম য়াওবা ব্লেদর কেন্সরগী ট্যুমরশিংদগী হেন্না তপথরকখি। লোয়ননা Y নেগেটিভ সেলশিংগী T-cell গী মথৌ অমসুং মপাঙ্গল হন্থরকপনচিংবা থেংনখিদে।

কুমজা ২০১৬তা চত্থখিবা ক্লিনিকল ট্রাইএল অমগী দেটাগী মতুংইন্না atezolizumab হায়না খঙনবা ইম্যুন চেকপোইন্ট ইনহিবিটর অসিনা Y নেভেটিভ ওইবা নুপাশিংনা Y পোজিটিভ ওইবশিংদগী পুন্সি হেন্না শাংনা হিংবা ঙমহনখি। Atezolizumab অসি মোনোক্লোনল এন্টিবোদি অমনি। মসিনা কেন্সর সেলশিংগী PD-L1 প্রোতিন অসিদা নপশিন্দুনা কেন্সর সেলশিংনা ইম্যুন সিষ্টমগী এটেকশিংদগী নান্থোকপা ঙমহন্দে।

পুন্সি মহিং অমসুং সেক্স হর্মোনশিংনা কেন্সর লায়না কয়ানা নুপাশিংনা নুপীশিংদগী শিবগী চাং হেন্না ৱাংহল্লি হায়বা মোত কয়া ফোঙদোক্লরবসু হৌজিক্তি বাইওলোজিকলগী ওইবা খেন্নবা কয়া - ইপিজিনেটিক্স, মেতাবোলিজম অমদি ইম্যুনিতিগী মরমশিংনা ওইরকহনবগী খুদম রিসর্স কয়াদগী খঙবা ঙম্লে। অমরোমদা নুপী ওইবীশিংদা Y ক্রোমোজোম য়াওদ্রবসু নুপাদা য়াওরিবা Y ক্রোমোজোমগী জিনশিংগী মথৌ অমসুং মখোয়গী রিগুলেটরি মেকানিজম খঙদোকপদা নুপী ওইবীশিংগী 'XX' ক্রোমোজোমদা য়াওবা পেরালোগ জিন হায়না খঙনবা মরী লৈনবা জিনশিংগা লোয়নবা লায়না কয়াগী নৈনবদা মতেং ওইগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহৈবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।